**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 04-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুর ফাওদুনা চেল্লিবা নেসনেল হাইৱেশিং মীয়ামগীদমক হাংদোকবা সরকারনা ৱারেপ লৌখে।

২) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা লুচিংবা দিফেন্স একুয়্ইজিসন কাউন্সিলনা ভারত নেভিবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অনৌবা খুৎশু খুৎলায়শিং লৈনবা লুপা কোতি লিশিং ২১,৭৭২ গী শেনফম কাইথোক্লে।

অমসুং

৩) ইসরোনা পি.এস.এল.ভি-সি-ফিফতি নাইন-প্রোবা-থ্রি মিসন সেটেলাইট শ্রী হরিকোতাদা লৈবা ছতিস ধাৱন স্পেচ সেন্তরদগী ঙসি নুংথিল থাগৎলগনি।

------

বস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা চেকশিন থৌরাং মখাদা কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুর ফাওদুনা চেল্লিবা নেসনেল হাইৱেশিং মীয়ামগীদমক হাংদোকবা সরকারনা ৱারেপ লৌখ্রে। ৱারেপ অসি রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

লম্বীশিং অসিদা মীয়ামা চৎথোক চৎশিন তৌবা মতমদা জিলাশিং অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংদা মাংজোননা পাউ পীরকবা হায়রি। ঙরাং মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডাঃ বিনিত জোসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মীয়ামা লম্বীশিং অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈরিবা অসি কোকহন্নবা

সরকারনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং শিজিন্নদুনা ঙাকশেলগী থৌরাং লৌখৎকনি। মখা তানা ষ্টেগ হোল্ডরশিংনা সরকারনা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসিদা শৌগৎপীনবসু ডাঃ জোসিনা আপীল তৌরি। কনাগুম্বনা মসিদা অয়েন অপন পীরক্লবদি মতিক আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা ককচিং জিলাগী ককচিং লমখায়দা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা আইন্না থিংখ্রবা কে.সি.পি (পিপলস ৱার গ্রুপ)কী মীওই মরি ফারে। পুলিসকী পাউনা হায়- মখোয়শিং অদু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবশিংনি হায়রি। মখোয়দগী এম-ত্বেন্তি পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু ৩, মোবাইল হেন্দসেট ৫, ফোর হ্বিল্লর অমা, লুপ অসিগী দিমান্দ লেট্টর অমসুং মরী লৈনবা চে চাং কয়ামরুম ফংখি।

অমরোমদা, নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমসুং নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২১৫ অমসুং ১৯৭ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা ইম্ফাল্লোমদা পুথোরকখ্রে।

চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংথিবা থোক্তনবগীদমক চ্যেক পোষ্ট ১০৭ হাংদোক্লুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

খৎনবা (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খোংহামপাৎ ময়াই লৈকাইদা খুৎনা চৈনবগী থৌদোক অমদা মীওই অমা লৈখিদ্রে। লৈখিদব্রা মীওই অদু তখেল্লম্বম ইন্দ্রকুমার কৌই। হৌখিবা থাংজদা ইমুং মনুংগী খৎনা চৈনবগী থৌদোক্তা মীওই অদু লৈখিদবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীওই ৬ পুলিসনা ফাগৎলে হায়রি।

ডে (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা শ্রীশ্রী রামজি প্রভু মান্দপতা সংকৃটন নুমিৎ ঙসি পাংথোক্কনি। থৌরম অসি রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ অমদি মণিপুর নট সংকৃটন অপুনবনা পুন্না শিন্দুনা

পাঙথোক্কদবনি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা লুচিংবা কেন্দ্র সরকারগী দিফেন্স একুুইজিসন কাউন্সিলনা ভারত নেভিবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অনৌবা খুৎশু খুৎলায়শিং লৈনবা লুপা কোতি লিশিং ২১,৭৭২ গী শেনফম কাইথোক্লে।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং ফমখিবা কাউন্সিলগী মীফমনা ভারত নেভিনা পাঙথোক্লিবা মেরি টাইম ওপরেসনশিং অমদি লৈবাক অসিগী সমুদ্রগী ঙমখৈ পরিংদা ঙাকশেলগী ফিভম ফগৎহনবা অমদি মী কনবগী থবকশিংদা খুমাং চাওশিহন্নবা অনৌবা ৱাটর জেট জহাজ ৩১ লৈনবা ৱারেপ লৌখি। কাউন্সিল অসিনা ভারত মহাসাগর অমদি বঙ্গোপ সাগরদা পাইরেটসিগী থবক থৌরমশিং থিংবা য়াওনা ভারতকী সমুদ্র মপালদা লৈবা থাউ শুংফম য়াওনা মরুওইবা মফমশিং ঙাকশেগী থবক কনখৎহন্নবা অতোপ্পা এদভান্স লাইট হেলিকোপ্তর অমসুং ফাষ্ট ইন্তরসেপ্তর ক্রাফটশিংসু লৈননবা য়ান্নখি।

ইসরো ঃ ইন্দিয়ান স্পেচ রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো)না পি.এস.এল.ভি-সি-ফিফতি নাইন-প্রোবা-থ্রি মিসন সেটেলাইট শ্রী হরিকোতাদা লৈবা ছতিস ধাৱন স্পেচ সেন্তরদগী ঙসি নুংথিল থাগৎলগনি। পি.এস.এল.ভি-সি-ফিফতি নাইন রোকেট অসিনা য়ুরোপিয়ান স্পেচ এজেন্সিগী কিলোগ্রাম ৫৫০ লুম্বা প্রোবা থ্রি সেটেলাইট অসি ঙসি ওর্বিটতা থাগৎকনি। সেটেলাইট অসিনা নুমিৎকী এটমোসফিয়ার অমদি সোলর ৱিন্দগী মতাংদা কুপা থিজিনগনি।

জেকে ঃ শ্রীনাগরগী দাচিগম উমংদা জম্মু কশ্মীরগী ওইনা মোষ্ট ৱান্টেদ লাউথোক্লবা তেরোরিষ্টকী কম্মান্দর অমা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোক বদা শিরে। পুলিসকী পাউনা হায়- শিরবা তেরোরিষ্ট অদু লাস্কর-ই-তোইবগী কেটগোরি এদা চনবা জ়নিত অহামদ ভটনি। মহাক অসি চহি অসিগী ওক্তোবর

২০ দা কাশ্মীরগী গন্দরবল জিলাদা টন্নেল শাবা য়াওরিবা শিন্মী ৬ অমদি ডোক্তর ১ হাৎপদা চেন্নবা মীশকনি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেরোরিষ্টশিং উমং অদুদা লৈরে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী থিবা হুন্বগী থবক চথবদা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তা তেরোরিষ্টকী কম্মান্দর অদু শিখিবনি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম-'ভারতিয়া ন্যায় সনহিতা, ভারতিয়া নাগরিগ সুরক্ষা সনহিতা অমসুং ভারতিয়া শক্ষ্যা অধিনিয়ম' মাই পাকা চৎনহনবা ঙমখিবা অদু জাতিদা কৎথোকখ্রে।

চহী অসিগী জ্লাই ১ দা লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনবা হৌখিবা ক্রিকিনেল লো অহুম অসিনা লৈবাক অসিগী আইনগী চৎন-কাংলোন হেন্না মনুং মপান ফাওনা উহন্নবা, হেন্না মতিং লৈবা অমসুং হৌজিক মতমগী খুন্নাইগী তঙাই ফদবগা চুশিন্নবা ঙমহন্নবা পান্দম থম্লি। আইনশিং অসিনা ক্রিকিনেল জস্তিসকী মওং অমুক হন্না করমা শেমদোক্লবগে হায়বদুসু উৎথোক্কনি।

জয়শঙ্কর ঃ ভারত অমসুং চাইনা লৈবাক অনিগী শিমানা পরিংশিংদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা লৈহনবনা লৈবাক অনিগী চাউখৎ থৌরাংগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমগনি হায়না মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা ফোংদোকখ্রে।

লৈবাক অনিগী ঙমখৈ পরিংশিংদা চথরিবা থবক থৌরমশিং লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কুপা খন্নগনি। লৈবাক অনিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা লোক সভাদা মহাক্কী ওইবা ব্রাফম ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অনিগী কুটনিতিগী থবক থৌরমশিং অসিনা লৈবাক অনিগী হেন্না ফগৎপা লম্বীরোমদা চংশিল্লকপা ঙমলে।

স্পোর্টস ঃ সরজাহদা চথরিবা এ.সি.সি. মেন্স অন্দর নাইন্তিন এসিয়া কপকী গ্রুপ-এগী মেটচ অমদা ভারত অমসুং য়ুম্বু য়ু.এ.ই ঙসি সরজাহ ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি। মেটচ অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০ মখায়দগী শান্নবা হোগনি।

ভারতনা হৌজিক ফাওবদা মেটচ অনি শান্নবদা অমা থোইদুনা গ্রুপ অসিগী অহুমসুবা মফমদা লৈরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চুরাচান্দপুর অমদি কাংপোকপী ফাওদুনা চেল্লিবা নেসনেল হাইৱেশিং সেক্যুরিতিগী ঙাকশেল মখাদা মীয়ামা অমুক হন্না চৎহনবা য়াহন্নবা ৱারেপ লৌখিবা অমদি লাইশ্রম কমল বাবু থিবা খঙদনা লৈরকপগী মতাংদা মীয়ামা খোঙজং চংশিনবগী পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কমল বাবুগী লংলা লংজিল পুথোলক্তবদগী জে.এ.সি অমসুং মীয়ামা মৈ হৌনা শাউরে, জি.ও.সিনা হাই কোর্টতা রিপোর্ট পীখৎলক্ত্রে, কোর্টনা কমিতি অমা শেমখ্রে অমদি লান মনুংদদি লম্বী শেমজিনবা য়াদব্রা অমদি ইম্ফাল অমসুং অকোইবগী লম্বীশিং শলাক শারে হায়না পাউ ফোটোগা কোন্ননা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কমল বাবু হিংনা পুথোকড হায়বা খোল্লাউ লাউদুনা মীয়ামা জি.ও.সিগী ইফিজি মৈ থাখ্রে হায়বা পাউ অসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি সনালৈবাক পাউচেদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মীয়ামা ঙমদুনা জি.ও.সিগী মীতম মৈ থাখ্রে, কাংপোকপীগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটপু থিগৎনবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি পোকফম পাউচেদসু ফোটোগা কোন্ননা ফোংলি।

এম.এস.টিগী বস সার্ভিস ঙসিদগী হৌরগনি, কাংপোকপী সি.এস.ওশিংনা জিলা অসিদা সট দাউন লাউথোকখ্রে অমদি ইন্তরনেসনেল ডে ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিতি পাঙথোকখিবগী পাউনা মোর্নিং বেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস, মণিপুর নিউজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমদি মণিপুর মেলদসু তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম ককথৎখিবা অমদি বোর্দর ফেন্সিংগী থবক পায়খৎলকপগী মতাংদা চুরাচান্দপুরদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা মীয়ামা ৱাকৎ মীফম চথখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

খোংহামপাৎ ময়াই লৈকাইদা ইমুং মনুং খৎনবদা মীওই অমা লৈখিদ্রে মসিদা চেন্নবা মীওই ৬ ফাগৎলে হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা- কুকি জো ফুরুপনা কেন্দ্র সরকারদগী খৃষ্টমাসকী খুদোল ওইনা য়ুনিয়ন তেরিতোরি ষ্টেটস পীনবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নুমিৎ হুমি চথগদবা ত্রেনিং ওন স্প্রিং সেট মেনেজমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট উখ্রুলদা হৌদোকখিবগী পাউনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ষ্টেট কেবিনেটনা য়ুনিফাইদ বিল্ডিং বাই লোস ২০২৪ অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------